# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে
www.sanaleibak.in




সিনে রাইটরস এন্দ প্লেরাইটস ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা ওল মণিপুরী ফিল্ম স্ক্রিপ কম্পিটিসন ২০১৯ গী মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা এল দি এগী ভাইস চিয়ারমেন সুশিন্দ্রোনা য়েন্থোকপা



মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি অমসুং চিলদ্রেলস ফিল্ম সোসাইটি ওফ ইন্দিয়াগা পুন্না খুৎশন্নদুনা শীনবা নুমিৎ ৩ নি চত্থগদবা অঙাংশিংগী ওইবা চিলদ্রেন ফিল্ম ফেষ্টিভেল এম এফ দি সিদা হৌদোকপগী শক্তম



মণিপুর ইন্টরনেস্নেল য়ুনিভর্সিটিগী স্পোন্সশিপকী মখাদা মেন-সী-খাঙগা পুন্না খুৎশন্নদুনা ঘরীদা লৈবা এম আই য়ু পেলেসতা ইম্ফাল ব্রাঞ্চ ক্লিনিক হাংদোকপা থৌরমদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দ ৱা ঙাংবা


Volume No: 44 Issue: 096 | IMPHAL MONDAY 02 MARCH 2020 | নিংথৌকাবা, লমতাগী ৮ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নোংমগী পুন্সিগী থবক মচা মচাদা নুংঙাইবা তম্মু নোংমা হন্না য়েংখিবদা অচৌবা থবক ওইরম্বসু য়াই

## অঙৈং-অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৬.৯১° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৭.৫৮° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং-৫.৩৬
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং-৫.১৭

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭০.০৪
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৬২


লুহোং-মচল
SANSUI 32' LED (SMART K) / SAMSUNG 190 LT. REFRI. / SANSUI 7.2 KG WASHER – ₹ 29,990/- ORIENT IRON FREE
SANSUI 32" LED TV / GODREJ 180 LTR. REFRI / SANSUI 6.5 KG WASHER – ₹ 25,500/-
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.
SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 32' LED / SAMSUNG 190 LTR. REFRIG. / GODREJ / SAMSUNG 7.2 KG WASHER – ₹ 33,000/-
SAMSUNG 40' LED / SAMSUNG 190 LTR. REFRIG. / SAMSUNG 7.2 KG WASHER – ₹ 46,000/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

পরিক্ষাগী ফেল ওই হায়দৌ শরুক কোরোনাভাইরসতু ওইনা নাহৌরসিরা!



শিনগে য়াদবা, খোংবান চেনবা থিংবা কাঙবুদু ওইনা নারদি ফদৌনি...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### শরোই ঙারোইগী ৱা

হে তাইবঙ মীওইবা
খঙগনিদো সরিসো
শরোই ঐখোয়বু থওইদবা
ঙারোই ঐখোয়বু ৱাওইদবা
শীংথেক শীংথারগেদো
কুমশিদা হাৎকদৌবা
কোরোনাভাইরস থারদুনা
শীংশৎ পীবা তৌররোই
শাওবা হৌরে শরোই ঐখোয়
শাওবা হৌরে ঙারোই ঐখোয়
অদুবুনে হে নমু তাইবঙ
চঙদেনে কোরোনাভাইরসসে
মৈতে হায়বা কাঙবুসিদি
মীতে হায়বা ফুরুপসিদদি
চাং নাইনা থকপা কাঙবুনি
চাং নাইনা কাপ্পা মখোয়নি
ঙাওদুনা অদুম লৈজবা
মখোয়দা চঙলুবা ভাইরসতো
অদুম ঙাওবা জাৎনিদা
কোরোনাভাইরস চঙঙমদবা
মৈতে মীতে কাঙবুসে

কম্মিসন ফোর ৱুমেননা নুমিদাংদা শীনবা *পৱার ৱাক* সি এমনা লমথাখ্রে

# নুপী-নুপা থোং মান্নহনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী থৌদাংনি: চীফ মিনিষ্টর



ইম্ফাল, মার্চ ০১ (এসএন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেননা নুপী-নুপা থোং মান্নহনগদবনি অমদি নুপীশিংগী ফঙফম থোকপশিং ফঙহনগদবনি হায়বা পাউজেল পীবা রেল্লি *পৱার ৱাক* ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লমথাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌরিবী নুপীশিংনা মরু ওইনা শরুক য়াখিবা নুমিদাংদা চৎলিবা রেল্লি অদু ইম্ফালগী বি টি পার্কতগী হৌরগা গভর্ণরগী নোংপোক থংবা সন্থোঙ মপাগী লম্বী ফাওদুনা লাক্লগা নুপীলাল কমপ্লেক্স ফাওবা চৎখি।

রেল্লি লমথাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, পৱার ৱাক অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা নুপী নুপা থোং মানহন্নবা পাউজেল পুবা খোঙচৎনি। মণিপুরদদি তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা নুপীশিংনা শরুক য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মেদিয়ম স্মোল, মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজতা মণিপুরনা মকোক ওইরি। মসিগী মনুংদা নুপীগী ওনরসিপ অসি চাদ ৫০ ওইরি। মসি ইন্দিয়াগী ওইনা চাওথোকচনিঙাইনি।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী দি সি শিং তঙ্খাই অমদি নুপীশিংনা ওইহনদুনা থবক তৌহল্লি। মসিদা নত্তনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা এস পিশিং ফাওবা নুপীশিংনা ওইহল্লি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী হেদসু নুপীশিংনা পুবা য়াওরি। লৈঙাক অসিনা নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইমশিংগী ৱায়েল অথুবা মতমদা ফঙহন্নবা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংখৎতুনা হৌখিবা চহী ৩ অসিদা কেস ৮০০ রোম ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা মীওই ৩০০ হেন্না কনভিক্সন পীখ্রে। লোয়ননা স্পিসিয়েল পোক্সো কোর্ট অনীসু অথুবদা লিংখৎলগনি।

লমদম অসিগী নুপীশিংবু নীংথিনা ঙাকপী শেনবীদুনা চপ মান্নবা থাক্তা হায়বসি লৈঙাক অসিগী মথৌনি। নুপীশিংবু থোং মান্ননা থম্নবা খোঙথাং খুদিংমক্তা লৈঙাক অসিনা মতম চুপ্পদা সপোর্ট তৌগনি। মতম শাংনদগী খুন্নাই অসিদা নুপীশিংবু হন্থবা মীৎয়েং চংবিবসি এৱার্নেস পীদুনা নুপীস হিংবগী রাইটস চপ চানা লৈ হায়বসি উৎপা মথৌ তারে হায়নখি।

থৌরম অদুদা কৈরাও এস সি গী এম এল এ এল রামেশ্বোর, য়াইস্কুল এস সি গী এম এল এ টি ঐচ সত্যবর্ত্ত, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চিয়ারপার্সন মৈনম বিনোতানচিংবা শরুক্কইরবী নুপীশিংসু শরুক য়াখি।

# মণিপুরদা চল্লাইরিবা সো মিল লোনা য়াবদগী য়াদবনা মশীং হেল্লল্লে

কাঙলোন কায়না সো মিল হাংবা তকখায়বা হৌরে: শ্যামকুমার



ইম্ফাল, মার্চ ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা চল্লাইরিবা সো মিল (উ খায়ফম) লোনা য়ারগা চল্লাইবা মশীংদগী লোনা য়াদনা চল্লাইরম্বনা মশীং হেল্লল্লে, মণিপুরগী ফোরেষ্টকী লম মাঙহনবদা সো মিলশিং অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌরগা লৈরল্লে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না শেমখিবা হায় পৱার কম্মিটিনা মণিপুরদা লোনা য়াবা সো মিল ১১২ খক লৈ হায়না রেকোর্দ তৌই। অদুগা চীং অমসুং তমগী মফম কয়ামরুমদা লোন্না সো মিল হাংদুনা লৈরম্বা মশীংনা ২৭৫ শুরল্লে। সৌগ্রি য়ুংবদৌনা সো মিলশিং পংহাংদা হাংদোক্লম্বসিনা ষ্টেট অসিগী ফোরেষ্টকী লম মাঙহনবদা মতেং পাঙশিল্লি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হান্না ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী মখাদা রেজিষ্টার তৌরম্বদু হৌজিক্তি সো মিলশিং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা ওইনা লৈরে। মসিগা লোয়ননা সো মিলশিং মফম অমদা হেক্তমক হাংনিংই হায়দুনা হাংবা য়াদে। মাইনর ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটকী মখাদা মফম অমদা পুল্লপ-পুল্লপ ওইনা সো মিলশিং হাংগদবনি। মসিগীদমক নোটিফাইদ তৌবা মফম ৩৭ লৈখ্রবনি। হান্না লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরগা মীরক্তা হাংবা ওইরম্লগসু হৌজিক্তি মফমদু থাদোক্লগা মাইনর ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটনি হায়না লাউথোক্লবা মফমশিংদা সো মিলশিং হাংগদবনি। লোগী ৱাংমদা হাংলম্বশিং হৌজিক হৌজিক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা ফাগৎপা, থিংজিনবনচিংবগী থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। মরক অসিদা *...মখা লমায় ৩দা...*

# এস সি ই আর টি- জিম গোল্ডনদগী এদিস্নেল দাইরেক্তরগী ফম লৌথোক্লবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (এস এন এস)ঃ

সিঙ্গল বেঞ্চ হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৮ দা দি ষ্টেট কাউন্সিল এদুকেসন এন্দ ট্রেনিং (এস সি ই আর টি) গী জোইন্ট দাইরেক্তর জিম গোল্ডন থিঙুজমবু খুদক্তা ফমদগী লৌথোক্লবা এস সি ই আর টিগী কম্মিস্নার / সেক্রেটরী, এস সি ই আর টিগী দাইরেক্তর, কম্মিস্নার / সেক্রেটরী (দি পি), গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং সেক্রেটরী মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনদা খঙহনখ্রে।

হায়রিবা হায়কোর্টকী জজমেন্ট অদু সিঙ্গল বেঞ্চ জষ্টিস এম ভি মুরালিধরনন থোংজু ফৈজা লৈতোংদগী সুখাম প্রেমজিৎ অমদি ময়াং ইম্ফাল কোনচাক মমাঙ লৈকাইদগী চিংঙাংবম সঞ্জয় কৌবা মীওই অনীনা কম্মিস্নার / সেক্রেটরী (এস সি ই আর টি), দাইরেক্তর এস সি ই আর টি, কম্মিস্নার / সেক্রেটরী (দি পি) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, সেক্রেটরী মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন অমসুং এস সি ই আর টিগী জোইন্ট সেক্রেটরী জিম গোল্ডন থিঙুজমগী মথক্তা হায়কোর্টতা থারকখিবা রাইট পেটিসন অমগা মরী লৈননা পাস তৌখিবনি।

হায়রিবা রাইট পেটিসন অদু কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ২৮ দা জিম জোল্ডন থিঙুজমবু এস সি ই আর টিগী জোইন্ট দাইরেক্তর ওইনা প্রমোসন তৌখিবা অদু অরানবা অমদি কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা ওইবা অমদি চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা মহাক্না ফম অদু পীশিনখিবনি হায়বা ৱাফমদা মরিক চুম্বা পাউখুম পীরক্লবা অমসুং মহাকপু ফম অদুদগী লৌথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমদা ক্যুও ৱারেন্ট পীরক্লবা থাখিবনি।

লোয়ননা রাইট পেটিসন অদুনা পল্লিবদি, জিম গোল্ডন থিঙুজম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা ওইরম্বদগী কুমজা ১৯৯৯ গী এপ্রিল ১০ দা এস সি ই আর টিগী জোইন্ট দাইরেক্তর ওইনা খনখি। মদুগী মতুংদা এস সি ই আর টিদা জোইন্ট দাইরেক্তর ওইনা য়ুটিলাইজ তৌখি। মতুংদা পোষ্ট অদুদা ট্রান্সফর তৌদুনা ফম অদু পায়দুনা থবক তৌখি অমদি মহাক্না এস সি ই আর টিগী প্রদ্যুসরগী লৌবগী থবক থৌরমশিং শেমদোক *...মখা লমায় ৩দা...*

# মণিপুরগী ৱা হৌবা মফম ২০১৯ হন্থরে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী অপুনবা লম স্কার কিলোমিটর ২২,৩২৭ গী মনুংদা ৱা হৌবা মফম অসি ২০১১ দগী ২০১৭ ফাওবদা স্কৱার কিলোমিটর ১,৩৮৪ য়ৌনা হেনগৎলম্লবসু ২০১৯ দদি শাথিনা হন্থখ্রে। ৱা হৌবগী এরিয়া অসি ২০১১ দা স্কৱারদা কিলোমিটর ৯,৩০৩ ওইরম্বদগী ২০১৭ তা স্কৱার কিলোমিটর ১৯,৬৮৭ তা হেনগৎখি। অদুবু ২০১৯ দদি স্কৱার কিলোমিটর ৯,৯০২ দা হন্থরকখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

নৌনা ভলা হৌগৎলকপা মফমশিংগী মতাংদদি মণিপুরনা মকোক্তা চেল্লি। মণিপুরনা মফম ৬৬৩ ওইবদা অসামনা মফম ৩০৭ ওইদুনা অনীশুবদা অদুগা অরুনাচল প্রদেশনা ১৭১ ওইদুনা অহুমশুবদা লৈর। *মখা লমায় ৩দা...*

# মেঘালয়াগী ইরাংদা শিখিবা মীগী মশীং ৩ শুখ্রে

শিল্লোং, মার্চ ০১ (এজেন্সি)ঃ

হৌখিবা ইরান নুমিত্তা মেঘালয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা মীওই অনী হাৎলম্বগী থৌদোক্কী মখা তারকপা ওইনা ষ্টেট অসিদা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবা লৈরকপদগী মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা লৈঙাক্না ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ তাবদগী মেঘালয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কর্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

লোয়ননা ঙসিসু মেঘালয়াগী ইষ্ট খাসি হিলকী শেল্লা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পুরখান ভিলেজতা মশাগী চহী ৩৭ রোম শুরবা মীওই অমা শকখঙদবা মীওই অহুম্না মশাগী ময়ুমক্তদা হাৎতোকল্লে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা শেল্লা পুলিস ষ্টেসনদা এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্তর জেনরেল গাব্রিরেল আইঙাইরনা হায়, শিরল্লিবা মীওই অসিগী মমিং উফাস উদ্দিন কৌই হায়বা খঙবা ঙল্লে। অদুবু মীহাৎ অসি কনানা চত্থরল্লিবনো হায়বা অদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লোয়ননা মরী লৈনবশিং ফাগৎনবা কন্না থিবা হন্থগী থবক চত্থরি হায়খি।

মসিদসু নত্তনা মেঘালয়াগী বেসিন দিভলপমেন্ট *...মখা লমায় ৩দা...*




# ওপোজিসনগী থৌদাং: সেসনদি লোইখ্রে অতৈনা কমদৌবা?

নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন

ইম্ফাল, মার্চ ০১ ঃ

চহী ৩ ফারক্লবা হৌজিক লৈরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১০ শুবা সেসন (বদজেট সেসন) হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লোইশিনখ্রে। ফেব্রুৱারি ১৪ দগী হৌখিবা পুন্না মীফম ১১ লৈখিবা সেসন অদুদা ওপোজিসন কংগ্রেসনা লৌফম থোকপা থৌদাং চপ চানা লৌখি হায়বা য়াই। মদুমক্না শেনবা চহী ২০২০-২১ গী শীজিন্নগদবা লুপা ক্রোর ২১,২২৪ গী শেনফম অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী থমখিবা ৱাফম কয়ানা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা কাঙবুগী থবক থৌশিল খরদা অশোয়বা য়াওরে হায়বদু থিন্দুনা তাকপদা নত্তনা মেডিয়াগী খূথাংদগী মীয়ান্না খঙবা ঙমখি। ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদুমক দেমোক্রেসিগী অশেংবা মচৎনি, মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপনি হায়নসু লৌনরি। শেনবা চহী ২০২০-২১ গী য়াল্লবা শেনফম শীজিন্নবগী শক্তি গভর্ণমেন্টতা পীগদবা য়াম্না মরু ওইবা মণিপুর এপ্রোপিয়েসন নম্বর টু বিল ২০২০ পাস তৌনবা হোৎনবদা ওপোজিসন মেম্বরশিং হাউসতগী পুল্লপ মপান থোকখিবা ৱার্ক আউট তৌখিবা অদুমক গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা পীখিবা থাজবা কয়া থবক্তা পাঙথোকপা উৎপা ঙমদ্রে হায়বদু তাক্লবনি হায়না লৌনরি। হৌজিক্তি এসেমব্লিগী বদজেট সেসনসু লোইখ্রে, সেসন মনুং অমসুং মপানদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টরশিংনা হায়খিবা পীখিবা থাজবশিং অদু কদায় ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদৌরিবগে হায়বা অদুদি মতম খরা য়েংখিবা তারি। অমরোমদা রাজনীতিগী মীৎয়েংদা মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন, কোংগ্রেস এম এল এ খরগী মথক্তা নন্দুনা লৈরিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদা কমদৌবা হায়বনচিংবা কয়াসু য়েংবা, ঙাইবা নত্তনা উপায় লৈতে। তৌবগীদি হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা কাঙবু অসি চহী ৩ মপুং ফাগদবা নুমিৎ ১২ নি খক্তা ঙাইরবনি।

> সনালৈবাক্কী মপাও

মনুং-মপান ফাওনা উবা, ঐগী-মীগী খায়দবা, য়েৎনা ওইনা য়েংদবা, মীচঙ মীখায় নাইদবা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা অফবা-অনৌবা গভর্ণমেনট অমা লৈহনগনি ওইহনগনি-আছ দিন অফবা নুমিৎ লাক্লগনি হায়খিবা ঙসি ফাওবা মীয়ান্না নীংশিংলি-কাউদ্রি, অদুগুম্বা নুমিৎ অদুসু ঙাইরি। অদুবু হন্দক এসেমব্লি সেসনদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা পুথোরকখিবা ইশু খরদা গভর্ণমেন্টনা নাথৈদুনা থন্নবা হোৎনবগী মমি চাউনা তাখিবা অদুমক য়াম্না লাইবক থিবনি হায়নরক্লি। কুমজা ২০১৮ অমসুং ২০১৯ দা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা য়েন্থোক্লবনি হায়না পম্প সেট ৩০ লৈখিবগী, ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট (এস আই আর দি) গী য়াল্লবা শেনফম মাঙখ্রবরা হায়বগী চিংনবা, ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী লুপা ক্রোর ৩০ রোম মাঙখিবা, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা চীং অমসুং তমগী *...মখা লমায় ৩দা...*

# কোরোনাভাইরস য়ু এসতা মীওই ১ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (এস এন এস)ঃ

চাইনাদা ইপিসেন্টর ওইদুনা হৌরকখিবা কোরোনাভাইরসনা মালেমগী কন্টিনেন্ট মরিদা শন্দোরক্তুনা লায়না অসিনা শিহনখিবা মীগী মশীং লিশিং ৩ য়ৌখ্রে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটতসু লায়না অসিনা মরম ওইদুনা অহানবা ওইনা মীওই অমা শিখ্রে।

ৱাশিংটন ষ্টেট হেল্ঠ ওফিসিয়েলশিংনা থাদোরকপা পাউগী লীখুন অমগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদু চহী ৫০ রোম শুখ্রে। মপান লমদা চৎলুবগী রেকোর্দ লৈতে। মরম অদুনা মহাক্না নারকখিবা অদু কোরোনাভাইরস নারবা মীওই অমগা শন্নরুবদগী ওইরম্বা য়াই। য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা চহী ৪০ রোম শুরবা অমগা *...মখা লমায় ৩দা...*

